**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-06-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্ট রিজন-মনিপুর সেন্টরনা আর.সি. মণি চাকহাউ ৱান হায়বা চাকহাউ মখল অমা নৌনা পুথোকখ্রে। হায়রিবা অনৌবা চাকহাউ মখল অসি ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা মীয়ামদা খুদোল তৌবা ওইনা রিলিজ তৌখি।

চাকহাউ মখল অসি আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন-মনিপুর সেন্টরনা পুথোকপনি। নৌনা পুথোক্লবা চাকহাউ মখল অসি হান্নগী মনিপুরগী লৈজরম্বা চাকহাউ মখলদগী য়ামা হেন্না চাথোক লৈহনবা ঙম্মী। চাকহাউদা য়াওজবা মচল পুমমক অনৌবা মখল অসিদসু য়াওবনা মীয়ামদা কান্নবা পীবতা নত্তনা চেং মখল অসি থাবদা লৌমীশিংদা থোইদোকা কান্নবা পীগনি হায়রি।

নৌনা পুথোক্লবা চাকহাউ মখল অসিগী মতাংদা আই.সি.এ.আর. মনিপুর সেন্টরগী সাইন্টিষ্ট-ডা: কোন্সম সরিতা অমসুং ওফিসিএলশিংনা রাজ্যপালদা নীংথিনা পাউদমখি।

**ভালা (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা সরকারনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীফম অমা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ইন্টিগ্রেটেদ টিচর এদুকেসন প্রোগ্রাম অমসুং নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম নীংথিনা পায়খৎনবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী শরুক অমা ওইরিবা ইন্টিগ্রেটেদ টিচর এদুকেসন

প্রোগ্রাম পায়খৎনবগী মতাংদা রাজ্যপালনা ওফিসিএলশিংগা কুপা খন্নখি।

থৌরাং অসি পায়খৎপগী মতাংদা রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী কম্মিস্নার- ঐচ. গ্যান প্রকাশনা রাজ্যপালদা নীংথিনা পাউদমখি অমসুং প্রোগ্রাম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম পুথোক্কুনা খন্নখি।

রাজ্যপালনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা অতোপ্পা মীফম অমদা, নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম অমসুং মসিগী থবক থৌরমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, চহি অসি লোয়শিল্লকপদা লৈবাক অসিদগী টি.বি. লায়না পুংমুৎ মুথৎপা হায়বা ৱাখল্লোন অদু মায় পাকহনবনি। থৌরাং অসি পায়খৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি মসিবু পায়খৎপদা তৌগদবা থবক থৌরমশিং মীফম অদুদা খন্নখি।

**ইদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ-ইদুল জহা ঙসি পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি মসজিদশিংদা লাই খুরুম্বা, চামিন থকমিন্নবা অমসুং খুদোলপোৎ পীনবনি।

ইদুল জহাগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। রাষ্ট্রপতিনা কুম্মৈ অসিবু কৎথোকপা, মীওইবগী মমল খঙবগী খুদম অমনি হায়না ফোংদোক্লি। কুম্মৈ অসিনা অমত্তা ওইবা, মচিন মনাউ ওইবগী নুংশিনবা লিপুনদা সমাজ অসিবু পুনশিনবা ওইরসনু হায়রি।

কুম্মৈ অসি লাকপগা লোয়ননা রাজ্য অসি শান্তি লৈবা অমদি ইংনা তপা পানবা লমদম অমা ওইনবা লিলোংগী মীওই লিশিং অমরোমদা, লিলোং বজার জমিয়া মসজিদতা লাই খুরুমদুনা মপুগী মফমদা থৌনিজখি। তুংদা, ঈচাওনা শোকহনবদগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা অহাউ অথুমশিং য়েন্থোকখি।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ফুড সেফতি ডে থৌরম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্লি। ফুড

সেফতি- সাইন্স ইন এক্সন ষ্টোপ ওবেসিতি বাই ইতিং সেফ এন্দ হেলদি হায়বা ৱাখল্লোনদা রাজ্য সরকারগী হকশেল বিভাগকী ফুড সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা পাঙথোখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা কংলাগী নোংচুপ থংবা সন্নথোঙদগী ঙসি অয়ুক ৱাকাথোন অমসু লমথাখি। হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর, ফুড সেফতিগী এদ্দিসনেল কম্মিসনার ডাঃ চম্বো গোলমৈনা ৱাকাথোন অসি লমথাখি। নুমিৎ অসি লমফেলদা লৈবা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তোরেটতা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ফুড সেফতিগী ৱাশকসু লৌখি।

**হেলথ(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মফম তরেৎতা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা চথখিবা কেম্পশিং অদুদা স্কিল ইনফেক্সন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়েং চথখি। ঙসি পাঙথোকখিবা মফমশিংগী মনুংদা-বাসিখোং অমদি ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপান, পোরোম্পাৎ দি.সি. রোড, ৱাংখৈ মুতুম লৈরক, কোংবা উচেক্কোননচিংবা য়াওরি। অসিগুম্বা কেম্প অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগীসু চথদুনা লাকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা, ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: লৌরেম্বম হন্দিরা দেবীনা হায়-ঈচাও থোকখ্রবা মতুংদা ঈশিং অমোৎপা শিজিন্নরুবদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া থোকহল্লকপা য়াই। মসিদগী ঐখোয় পুন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎমীন্নবা তঙাইফদে। সেনাপতিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা কাথিখো কারোংদা হাংবা রিলিফ কেম্পতসু লায়েংবগী থৌরম পাঙথোকখি। পুন্না মীওই ৭৬ লায়েংখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকী অৱাৎ অপাশিং হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-কে. সোমাসেখরনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

চীফ জষ্টিসকী ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী রেজিস্ত্রার জেনরেল য়াওনা অতৈ ওফিসিএল কয়া লোয়নরকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স অসি মপুং ফাবা ফেন্সিং তৌবা, সি.সি.টি. কেমেরা থেৎপা, সি.জে.এম. অমদি দিষ্ট্রিক্ট জজকী ফম হাপ্পীনবা চীফ জষ্টিসতা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

**স্কুল (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা এলাংখাঙপোকপী গভরমেন্ট এদেদ হায়স্কুলদা এম.এল.এগী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমনা শাখিবা ক্লাস রুম মঙা, ডা: য়ুমাম রাধেশ্যাম সিংহ-এম.এল.এনা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

**ফয়ার (এল)ঃ** হন্দক্কী ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরগী অকোইবদা ঈশিং থুমজিনবদগী অমোৎ অকায় কয়ানা মীয়ামগী লাই খুরুম্বগী থবক থৌরমদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লম্বা অদু মনিপুর ফয়ার সার্ভিসনা নীংথিনা শেংদোকখ্রে।

**কোকোমি (এল)ঃ** রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী ওফিসিএলশিং অমদি কোকোমি ফামরস ৱিংগী মীহুৎশিংগা রাজ্য থাক্কী ওইবা মোনিটরিং কমিতিগী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা মনিপুরগী ইরাং অসিনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা ক্ষেতিপুরোন পীবা য়াওনা লৌ পানবা ঙমদনা লৈরিবা লৌফমশিং সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা লৌ পানবা য়ানবা হোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো য়াওনা সেক্যুরিতিগী অপুনবা

কাংবুনা জিলা অসিগী শওম্বুংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা কে.সি.পি. (পিপলস ৱার গ্রুপ) কী হকচিনবা মীওই অমা ঙরাং ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ওপরেসন অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ দগী হৌরগা চথ্খিবনি। মফম অদুদা লৈবা মীয়ামদগী লালহৌলুপ অসিগী মীওই খরনা শেল খায়বা অমদি অতৈ থবক থৌরম কয়া চথ্নরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী মফম অদুদা চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা মীওই অদু ফাবনি। ফারবা মীওই অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক মরী লৈনবা পুলি ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। অৱার লেন্দ, অৱার ফ্যুচর হায়বা ৱাখল্লোন্দা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা উ চারা থাবা, অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থমবগী পাউতাক পীবনচিংবা চথ্খি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহাক্কী সরকারনা ভারতকী লৌমীশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি অমসুং মখা তানা পায়খৎখিগনি। সরকার অসিনা চহি ১১ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৌমীশিংবু লৌউ শিংউগী লমদা থোইদোক হেন্দোকা অহোংবা পুরক বা থাজবা পীরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা লৌমীশিংবু নুংঙাই য়াইফহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা লৌমীশিংগী ৱাফম, মরুওইনা লৈবাক লৈহাও, ইথৈ লৌখোংগী মতাংদা চাউনা কান্নবা পীনবা থৌরাংশিংদা মীৎয়েং থল্লি। লৌমীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি।

**লাইরবাঃ** ২০১১-১২ দগী ২০২২-২৩ ফাওবগী মনুংদা অসিদা ভারত্তা লাইরবগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরক্লি। মীওই কোতি ২৬ হেন্না লাইরবগী পনখৈদগী কোকহনবা ঙমলে। খ্বাইদগী নৌবা ৱার্ল্ড বেঙ্ক দাটা মতুং ইন্না লাইরবগী চাং অসি ২০২২ দা চাদা ২৭.১ ওইখি। অদুমওইনমক, ২০২২-২৩ দদি চাদা ৫.৩ খক্তমক ওইরে।

২০১১-১২ দা লৈবাক অসিগী মীওই লাখ ৩৪ হেন্না খম থেংনা লাইরবগী পুন্সিদা হিংলম্মী। অদুমওইনমক, ২০২২-২৩ দদি চাং অসি শুপতগী লাখ ৭ খরা হেন্না ওইখি। উত্তর প্রদেস, মহারাস্ত্র, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং মধ্য প্রদেসতা ফিভম অসিদা চাউনা অহোংবা লাকখি। চাং অসিনা লৈবাক অসিগী খুঙ্গং অমসুং সহরগী লমদমশিং কোনশিল্লি।

**রাজনাথ ঃ** নেক্সলাইটশিংবু মরূ ফংনা মুথৎনবা হন্দক চথখিবা ওপরেসনশিংদা শরুক য়াখিবা সেক্যুরিতি ওফিসারশিংবু গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে অমসুং মখোয়গী থবক থৌরম অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী অমিত সাহনা হায়-লৈবাক অসিদা নক্সলাইটশিংগী থবক থৌরম অমত্তা চত্থহন্দবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি। মহাকা হায়-ওপরেসন অসিবু মায় পাকা চত্থখিবা লান্মীশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্ননবগীদমক মহাক ছাতিসগরদা অথুবা মতমদা চৎনবা শেম শারি।

**ঙা ঃ** ভারতনা হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা ঙাগী পোৎথোক পুথোকপগী চাং শরুক অনি হেনগৎতুনা মালেমগী অনিশুবা মফমদা লৈরে।

লৈবাক অসিগী ঙামীশিংগীদমক সরকারনা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিম পায়খৎতুনা লাক্লি। পি.এম. মতসিয়া সম্পাদ য়োজনাগী মখাদা

ঙামীশিংগীদমক লুপা কোতি লিশিং ২০ কায়থোকপদা অয়াবা পীরে। ইং ২০১৩-১৪ দা ঙাগী পোৎথোক মপানদা থাদোকপগী চাং লুপা কোতি লিশিং ৩০,২১৩ দগী ২০২৩-২৪ দা লুপা কোতি লিশিং ৬০ হেন্না থাদোকপা ঙমলে। ব্লু রিভোলুসন স্কিমগীদমক সরকারনা লুপা কোতি লিশিং অহুম কায়থোক্তুনা থমলে।

**মীফমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-ডা: পি.কে. মিশ্রানা হায়রি-ভারতনা কা হেন্না শাবগী সমস্যা মায়োকরিবা অসি থেংননবা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

জেনেভাদা পাঙথোকপা এক্সত্রিম হিট রিক্স গভরনান্সকী অখন্নবা মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা মহাকা হায়-শাবগী চাং কা হেন্না হেনগৎলকপা অসিনা মীয়ামগী হকশেল, শেল থুমগী ফিভম অমসুং অকোইবগী খলদা চাউনা অকায়বা পীরি।

কা হেন্না শাবগী চাং হেনগৎলকপগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মায়োক নবগীদমক ডা: মিশ্রানা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ফোর দিজাস্তর রিদক্সননা লৌখৎলকপা খোঙথাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**টেনিসঃ** ফ্রেন্স ওপন টেনিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান-অরায়ানা সভালেনকানা ৱার্ল্ড নম্বর টু-কোকো গাউফকা হৌজিক শান্নরি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান-জানিক সিনর অমদি মমাংগী চেম্পিয়ন-কারলোস লকারাজকা হয়েং শান্নগনি।

**চেসঃ** নোরৱে চেসতা, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন-বি. ভুকেশ অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। ৱার্ল্ড নম্বর ৱান-মেগনস কার্লসেন টুর্নামেন্ট অসিগী টাইতল লৌখ্রে।

অমরোমদা, ভারতকী গ্রান্ট মাস্তর-অরাবিন চিতম্বরমনা অরমেনিয়াগী

জরমুখতা চথরিবা তরুকশুবা স্তেপান অভাগ্যান মেমোরিএল চেস টুর্নামেন্টকী টাইতল লৌরে।